## বেঙ্কোক পুলিসনা ট্যির গ্যেস সেলশিং কাপখ্রে

বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) :
থাইলেন্দ গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুদা কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অদু থিংনবগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মপুঙ ফানা পায়খৎতবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী ইকনমিদা চাউনা চৈথেং পীরক্লিবা অদুগী মায়োক্তা ঙসি বেঙ্কোকতা মশীং য়াম্লবা মীয়াম থোক্লক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। মীয়ামগী খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসনা ট্যির গ্যেস শেলশিং অমদি রব্বর বুলেট কয়া কাপখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকা মরী লৈননা লৈবাক অদুদা থল্লিবা অথিংবশিং থুগাইদুনা মীওই লিশিং অমরোম হেনবনা গভর্ণমেন্ট হাউস তম্না খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর প্রায়ুথ চান-ওচাবু মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্না থৌশিল হৈতবদগী লৈবাক অদুগী মীওই কয়া অৱাফমদা তাহল্লে হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউখি।

অমরোমদা, বেঙ্কোক পুলিসনা লাউদস্পিকর শীজিন্নদুনা প্রোটেষ্টরশিং অদু ময়ুম ময়ুমদা চঙখিনবা খঙহনখি। অদুমওইনমক পুলিসকী অথিংবা মায়োক্তা মখা তানা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী তঙাইফদনা ট্যির গ্যেস অমদি রব্বর বুলেটশিং কাপখিবনি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

## গুষ্টিরনা লান্মী ২ শোকহনখ্রে

মেলবোর্ন, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) :
ওষ্ট্রেলিয়াগী মনুং চনবা কেপ য়োর্ক পেনিনসুলাদা লৈবা কোষ্টেল ফিশিং ভিলেজ অমদা ওষ্ট্রেলিয়ন শোলজর অনী ইরোয়রিঙৈদা গুষ্টিরনা এটেক চখ্বরকপদগী অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি। মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, লান্মী অমনা ইরোয়রিঙৈদা খঙহৌদনা গুষ্টির অমনা মহাক্কী মখোঙদা লাল্লককখি। মদুগী মতুং মহাক্কী মথবাক্তা চীক্তুনা ঈশিং মনুংদা লাকশীন্নবা হোৎনরিঙৈদা অতোপ্পা লান্মী অমনা গুষ্টির অদুদগী শোল্লবা মীওই অদুবু কন্নবা হোৎনখি। মদুদসু গুষ্টির অদুনা কন্নবা হোৎনরিবা মীওই অদুগী ওয় থংবা খুদাংদা চীকপদগী শোকখি। মনাক নক্কা লৈরম্বা মীওইশিং চঙশিন্দুনা গুষ্টির অদু তাম্থোকখ্রবা মতুং মীওই ২ অদু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চখখ্রে হায়রি।

## পাকিস্তানদা লৈবা হিন্দু লাইশঙ অমাঙ-অতা থোকহনবদা চেন্নবা মীওই ২০ ফারে

লাহোর, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) :
পাকিস্তানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সকী মনুং হঞ্জিনবা মফম অমদা লৈবা হিন্দু লাইশঙ অমা অমাঙ-অতা থোকহনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ২০ পুলিসনা ফাখিবগা লোয়ননা থৌদোক্তুদা চেন্নবা মীওই ১৫০গী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেসশিং লৌখৎখ্রে হায়না প্রোভিন্সিএল পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।



পুলিস ওফিসল অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, লাহোরদগী কিলোমিটর ৫৯০ রোম চৎলগা লৈবা রাহিম য়ার খান দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ভোং সিটিদা লৈবা গনেশ টেম্পলদা মীওইশিং অদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবনি। সিটি অদুদা লৈবা লোকল সেমিনরি অমদা চহী নৌরিবা হিন্দু নুপামচা অমনা মপান থোকচিল্লম্বগী মায়োক্তা মরী লৈনবশিংনা ফাজিনখ্রবা মতুং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অমুক হন্না থাদোরকখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হিন্দু লাইশঙ অদুদা এটেক চখিবনি।

রাহিম য়ার খান দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস ওফিসর অসদ সর্ফরাজনা ফোঙদোরকখিবদা, থৌদোক্তুদা হকথেংননা চেন্নবা মীওই ২০ অহানবগী ওইনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। নুমিৎ খরনিসিগী মনুংদা থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মীওইশিং মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মরাল লৈবা খুদিংমক ফানবা হোৎনরি। হিন্দু লাইশঙদা এটেক চখিবা থৌওং অদু টেররিজমগী ওইবা থবক থৌওংনি হায়না পাকিস্তাননা লৌবগা লোয়ননা মীওই ১৫০গী মথক্তা পাকিস্তান পেনাল কোদকী টেররিজম এন্দ অদর সেক্সন্সকী মখাদা মীওই ১৫০গী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, হিন্দু লাইশঙদা এটেক চখিবগী থৌওং অদুবু পাকিস্তানগী সুপ্রিম কোর্টনা লোকল ওথোরিটিদা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংনা চেকশিনদবদগী লাইশঙ অদুদা এটেক চখবা ঙমখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পাকিস্তানগী চীফ জষ্টিস গুলজার অহমদনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুদা লৈবা লাইশঙ অমা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা হায়বসি পাকিস্তানগী ওইনা ইকাইনিংঙাইনি। মরম অদুনা থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা পুলিসনা চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

## য়ু এন এনভোই হাৎনবা প্লান তৌরম্বা ম্যান্মার অনী য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা ফারে

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ম্যান্মারগী এনভোই ওইনা লৈরিবা এম্বেসেদর কিও মো টুন হাৎনবগী প্লান তৌরম্বা ম্যান্মার সিটিজন অনী য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা ফারে হায়না য়ু এস ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।



ম্যান্মারদা হান্না লৈরম্বা মীয়ামগী ওইবা গভর্ণমেন্টনা মো টুনবু য়ু এনগী এম্বেসেদর ওইনা খনখিবনি। মদুগী মতুং হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অদুবু ইন্থুখ্রবা মতুং লাকখিবা জুন্তানা মো টুনবু এম্বেসেদরগী ফমদগী লৌথোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে। অদুম ওইনমক, য়ুনাইটেদ নেসন্সনদি মো টুনবু ম্যান্মার এম্বেসেদর ওইনা হৌজিকসু রেকগনাইজ তৌরি।

ন্যু য়োর্ককী সাউদর্ন দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা য়ু এস এটোর্নি ওফিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ফারবা মীওই অনী অদুদি, ফিও হেন টুট (২৮) অমসুং য়ে হেন জো (২০) নি। হায়রিবা মীওই অনী অসিনা ন্যু য়োর্কতা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ম্যান্মারগী এম্বেসেদর মো টুনবু থাইলেন্দদা লৈবা আর্ম দিলরশিংগা পূল্লগা হাৎনবা প্লান তৌরমখিবনি। ফারবা মীওই অনী অসি ন্যু য়োর্ককী জেলদা য়ামদ্রবদা চহী ৫গী ফাদোক পীরবা য়ানা লৈ হায়রি।

অমরোমদা, য়ু এন এম্বেসেদর মো টুনগী মায়কৈদগীদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মিলিটরি জুন্তানা মহাকপু মফমদগী লৌথোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং মঙোন্দা মায়কৈ কয়াদগী প্রেসর লাক্লে হায়না ঙল্লিঙৈ মতমদা ফোঙদোকখ্রবসু থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১দগী লৈবাক অদুদা মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কা হেনবা থবক থৌওংশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক পুরক্নবা তকশিন্দুনা লাক্লি। অমরোমদা, খোঙজংলোয়শিং অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মূক্নবগী থৌদোক্তা হৌজিকফাওবগী ওইনা মীওই ৯০০ হেন্না শিহনখ্রে হায়রি।

## ইংলেন্দদা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রবা মীওইশিং দেল্টা ভেরিয়ন্টনা নাবা থেংনখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) :
ইংলেন্দদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী দোজ মপুঙ ফানা কাপখ্রবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়ন্ট দেল্টানা নাহল্লকপদগী হোস্পিটালাইজ তৌরকপা থেংনরে হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পব্লিক হেল্থ ইংলেন্দগী এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী দোজ মপুঙ ফানা কাপ্লবা মীওইশিংদসু দেল্টা ভেরিয়ন্টনা ইনফেক্ট তৌহনবা ঙমই। কোভিদ ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংগা য়েংনরুবা মতমদা হীদাক কাপথোল্লবা মীওইশিংদা ভাইরস মখল অসিনা ইনফেক্ট তৌহনবগী চাংদি য়াম্না হন্থে। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ ইংলেন্দদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না কোভিদ ভেক্সিন দোজ মপুঙ ফানা কাপথোক্কদবনি। য়ুনাইটেদ কিংদমদা হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিনশিং অসি এষ্ট্রাজেনেকা, মোদর্না অমসুং ফাইজর বাইওএনটেকনা পুথোকপা ভেক্সিনশিংনি। হায়রিবা ভেক্সিনশিং অসি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা শীজিন্নবা য়ারে হায়না এপ্রুভ তৌখ্রবনি। হোস্পিটালদা পুখৎলক্লিবা দেল্টা ভেরিয়ন্টনা শোকহল্লবা পেসেন্টশিং অদুগী হকচাংগী ফিভমদি অদুম্মক ফনা লৈরি। মসি ভেক্সিন কাপথোল্লুবগী অফবা খুদম অমনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা লৌই।

অমরোমদা, য়ু কে হেল্থ সিক্যুরিটি এজেন্সীগী চীফ এগজিক্যুটিব জেনি হেরিসনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতুংইন্নদি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোল্লবা মীওইশিংদা দেল্টা ভেরিয়ন্টনা কা হেন্না চৈথেং পীবা ঙমদে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলে। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক পুম্বদা কোভিদ ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপথোল্লবা হোৎনরি।

## ইজরেলি ট্রুপশিংনা পেলিষ্টিনিয়ন অমা ৱেষ্ট বেঙ্কতা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

জেরুসালম, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) :
ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেলিশিংনা ইলিগেল ওইবা মওংদা লম খোপচিল্লকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা পেলিষ্টিনিয়ন প্রোটেষ্টরশিংগী মথক্তা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সনা চখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা প্রোটেষ্টর কয়া শোকহনখিবগা লোয়ননা পেলিষ্টিনিয়ন অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পেলিষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রি অমদি হোস্পিটাল ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্নদি, মশাগী চহী ৩৮ লোম শুরবা ইমাদ অলি মুহম্মদ দৈকাট ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী মনুং চন্না লৈবা বৈটাদা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সনা মথবাক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মহাকপু নোংমৈনা কাপ্লল্লবা মতুং খোঙজংদা শরুক য়ামিন্নখিবশিংনা মনাক নক্কা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লাইকন্ননবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক, হোস্পিটাল য়ৌরকপা মতমদা মহাক শিরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবনি। বৈটাদা ইলিগেল ওইবা মওংদা ইজরেলিশিংনা লম খোপচিনবগী থবক পাক-শন্না চখরি। ইলিগেল ওইবা মওংদা চখরিবা থবক-থৌওংশিং অসিবু থিংবগী মহুত্তা ইজরেলি ফোর্সশিংনা মতেং পাংশিল্লি হায়নসু পেলিষ্টিনিয়ন ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা পেলেষ্টাইন রেদ ক্রিসেন্ট এম্বুলেন্স সর্ভিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, বৈটাদা থোকখিবা পেলিষ্টিনিয়ন প্রোটেষ্টরশিং অমদি ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্স উংখৎনবগী থৌদোক অদুদা ইজরেলি ট্রুপশিংনা খোঙজংলোয়শিং তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা মীওই ২১ অশোক-অপন নংখি। অদুগা খরা অমনা ট্যির গ্যেসকী মৈখুনা মরম ওইরগা শ্বর হোনবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখি।

## মীওইবদা হৌবা য়াগা য়াম্না মান্নবা ময়া পানবা ঙা অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা থেংনখ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) :
য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক্কী মনুং চন্না য়ু এসকী নোর্থ কেরোলিনাদা ঙামী অমনা মীওইবগী য়া মওংগা চপ মান্ননা ময়া হৌবা ঙা অমা থেংনখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

ঙা অদুবু ফারকখিবা ঙামী জিন ক্লাউদ সাভাবনা ফোঙদোকখিবদা, চহী কয়া মহাক্না অচৌবা তুরেলশিং অমদি সমুদ্রদা ঙা ফাদুনা লাকখিবা অসিদা অসিগুম্বা মখলগী ঙা অমুক্তা থেংনখিদ্রি। ঙা অসিবু মহাক্না ফারবা মতুং অহানবগী ওইনা পায়নবা হোৎনবদা মশাদা নুংঙাইতবা খরা ফাওখি। অদুম ওইনমক মহাক্না ঙা ফামীন্নরিবা মীওইশিং অদুগা লোয়ননা ঙা অদুবু পায়খৎতুনা য়েংলুবা মতমদা মীগী ময়া য়াম্না মান্না হৌরম্বা থেংনখিবনি। ঙা অদু ফারবা মতুং হৌজিক হৌজিক মহাক্কী ময়ুমদা য়োক্তুনা থল্লি। ঙা মখল অসি মহাক্কী ৱাখল্লোন মতুং ইন্নদি অমুক হন্না ঈশিংগী ঈমায়দা থাদোকখিবা পামই হায়না ফোঙদোরক্লি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 202,601,742 | +241,915 | 4,294,704 | +4,989 | 182,102,726 | 16,204,312 |
| 1 | USA | 36,447,123 | | 632,641 | | 29,834,472 | 5,980,010 |
| 2 | India | 31,895,385 | +902 | 427,401 | | 31,055,861 | 412,123 |
| 3 | Brazil | 20,108,746 | | 561,807 | | 18,868,602 | 678,337 |
| 4 | Russia | 6,424,884 | +22,320 | 164,094 | | 5,739,838 | 520,952 |
| 5 | France | 6,258,953 | | 112,158 | | *5,743,040* | 403,755 |
| 6 | UK | 6,014,023 | | 130,178 | | 4,599,885 | 1,283,960 |
| 7 | Turkey | 5,870,741 | | 51,976 | | 5,491,762 | 327,003 |
| 8 | Argentina | 5,002,951 | | 107,213 | | 4,645,158 | 250,580 |
| 9 | Colombia | 4,828,583 | | 122,087 | | 4,632,801 | 73,695 |
| 10 | Spain | 4,588,132 | | 82,006 | | 3,784,544 | 721,582 |
| 11 | Italy | 4,383,787 | | 128,187 | | 4,150,915 | 104,685 |
| 12 | Iran | 4,119,110 | +26,439 | 93,473 | | 3,515,263 | 510,374 |
| 13 | Germany | 3,792,826 | | 92,271 | | 3,664,100 | 36,455 |
| 14 | Indonesia | 3,639,616 | +31,753 | 105,598 | | 3,036,194 | 497,824 |
| 15 | Mexico | 2,944,226 | +21,563 | 243,733 | | 2,298,074 | 402,419 |
| 16 | Poland | 2,883,976 | +181 | 75,285 | | 2,654,359 | 154,332 |
| 17 | South Africa | 2,511,178 | | 74,352 | | 2,280,490 | 156,336 |
| 18 | Ukraine | 2,258,532 | +1,054 | 53,085 | | 2,190,686 | 14,761 |
| 19 | Peru | 2,122,557 | | 196,818 | | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,883,513 | +2,392 | 17,867 | | *1,684,053* | 181,593 |
| 21 | Iraq | 1,704,363 | +7,973 | 19,146 | | 1,520,000 | 165,217 |
| 22 | Czechia | 1,674,726 | +147 | 30,363 | | 1,641,904 | 2,459 |
| 23 | Philippines | 1,649,341 | +11,021 | 28,835 | | 1,544,443 | 76,063 |
| 24 | Chile | 1,621,571 | | 35,880 | | 1,576,801 | 8,890 |
| 25 | Canada | 1,437,701 | | 26,654 | | 1,401,224 | 9,823 |
| 26 | Bangladesh | 1,343,396 | +8,136 | 22,411 | | 1,188,820 | 132,165 |
| 27 | Malaysia | 1,243,852 | +19,257 | 10,389 | | 1,009,343 | 224,120 |
| 28 | Belgium | 1,136,726 | +1,819 | 25,268 | | 1,063,847 | 47,611 |
| 29 | Sweden | 1,104,538 | | 14,620 | | *1,077,670* | 12,248 |
| 30 | Romania | 1,084,711 | +255 | 34,313 | | 1,048,481 | 1,917 |
| 31 | Pakistan | 1,063,125 | +4,720 | 23,797 | | 959,491 | 79,837 |
| 32 | Japan | 1,001,281 | +15,645 | 15,255 | | 873,519 | 112,507 |
| 33 | Portugal | 984,985 | +2,621 | 17,457 | | 923,510 | 44,018 |
| 34 | Israel | 893,105 | | 6,516 | | 858,260 | 28,329 |
| 35 | Hungary | 809,855 | | 30,033 | | 752,709 | 27,113 |
| 36 | Jordan | 775,782 | | 10,105 | | 753,332 | 12,345 |
| 37 | Thailand | 736,522 | +21,838 | 6,066 | | 517,012 | 213,444 |
| 38 | Serbia | 725,245 | +584 | 7,135 | | 711,684 | 6,426 |
| 39 | Switzerland | 723,968 | | 10,909 | | 693,449 | 19,610 |
| 40 | Nepal | 712,740 | +2,231 | 10,038 | | 667,270 | 35,432 |
| 41 | UAE | 691,554 | +1,545 | 1,971 | | 668,554 | 21,029 |
| 42 | Morocco | 676,683 | | 10,163 | | 598,958 | 67,562 |
| 43 | Austria | 662,529 | +607 | 10,750 | | 645,694 | 6,085 |
| 44 | Kazakhstan | 626,412 | +7,899 | 6,659 | | 514,299 | 105,454 |
| 45 | Tunisia | 608,114 | +2,909 | 20,809 | | 539,339 | 47,966 |
| 46 | Lebanon | 568,505 | | 7,932 | | 538,434 | 22,139 |
| 47 | Saudi Arabia | 532,785 | +850 | 8,320 | | 514,362 | 10,103 |
| 48 | Greece | 509,596 | | 13,021 | | 462,919 | 33,656 |
| 49 | Ecuador | 491,185 | | 31,774 | | 443,880 | 15,531 |
| 50 | Bolivia | 477,262 | +467 | 17,959 | | 413,821 | 45,482 |

## হি মথক-মখা ওনবগী থৌদোক্তা মীওই ৪২ শিরম্লগনি থাজনরি



দাখলা, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) :
ৱেষ্টর্ন সহারাগী মনুং চন্না লৈবা দাখলা টাউনগী কোষ্টেল এরিয়াদা হি মথক-মখা ওনখিবগী থৌদোক অমদা চহী নৌরিবা অঙাং ৮ য়াওনা মীওই ৪২ শিরম্বা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না স্পেনিস মাইগ্রেন্ট রাইট্স এক্টিভিষ্টনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কেমিনন্দো ফ্রন্টেরাজ চেরিটিগী ফাউন্দর হেলেনা মালেনো গর্জোননা ফোঙদোকখিবদা, মাইগ্রেন্ট পুবা হি অমদা পুন্না মীওই ৫২ তোংদুনা লাকখিবনি। অদুবু দাখলা কোষ্টেলদা খঙহৌদনা শীৎলকখিবা অকনবা নুংশিৎ অমনা মরম ওইরগা মাইগ্রেন্টশিং পুদুনা লাকখিবা হি অদু মথক-মখা ওনখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ১০দি রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা কনবা ঙমখ্রে। অদুমওইনমক, নুপী ৩০, অঙাং ৮, অমদি নুপা ৪ থিবা ফংদনা লৈরি। মখোয়শিং অদু শিরম্বা য়ানা লৈরে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, লোকেল মীদিয়া রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, দাখলা কোষ্টতা ঙামীশিংনা মীওই ১২গী অশিবা হকচাং সমুদ্র খোংবালদা থেংনখ্রে হায়রি। মখোয়শিং অদু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টদা খঙহনখিবগা লোয়ননা পুলিস লাক্তুনা পোষ্ট মোর্টমগীদমক পুদুনা চৎখ্রে। শিখ্রবশিং অদু কদায়দগীনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। অফ্রিকাগী ৱেষ্ট কোষ্টতা মাইগ্রেন্টশিং শিবগী থৌদোকশিং চাং য়াম্না ৱাংই হায়না রাইট্স গ্রুপশিংনা ফোঙদোরক্লি।

## প্রোভিন্সিএল কেপিটেল কন্ট্রোল তৌখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) :
তালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানগী অনীশুবা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখ্রে হায়না রেবেল গ্রুপ অসিগী ৱাঙাঙলোয় জবি হুলানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লৈবাক পুম্বা টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরি হায়রি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স কয়া খুৎলায় থাদোক্তুনা টালিবানদা চঙজরকখ্রে। মখোয়শিং অদু মীওইবগী মিনুংশি য়েংলগা অমুক হন্না থাদোকখ্রে। মখা তানা প্রোভিন্সিএল কেপিটেলশিংদা এটেক চখনবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

ADMISSION OPEN, 2021 - 22
(Both through online & at office)
1. TEMPLE OF LEARNING (TOL)
2. TEMPLE OF LEARNING DEGREE COLLEGE (TOLDC)
Kha-Naorem Leikai, Canchipur, Near M.U.
For TOL : CLASS - XI (SCIENCE, ARTs, COMMERCE STREAMS)
For TOLDC : BBA, BCA, BA, B.Sc. DEGREE COURSES (3 years)
Through online : www.templeoflearning-edu.org,
Email: tolcanchi@gmail.com
Through offline : At School and at College Office.
Contact No.: 7005155523, 7005062644
HL-P/3802/8,9

BRAJALAL INSTITUTE OF SCIENCES (BIS)
Yaiskul, Moirangkhom
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI SCIENCE
For Online Registration apply the link:
http://V-SCHOOL.IN/admform/BISMOIRANGKHOM
OFFLINE ADMISSION:
Visit School Office
11.00 am to 3 pm
FREE ADMISSION FOR FIRST 100 STUDENTS
Contact Nos. 9366201278 / 9862276589 / 9856164646
HL-P/6386/4,6,8

HHG Academy
Sangaiprou , Ghari Mamang Leikai (Affiliation to COHSEM)
Limited Seat
ADMISSION OPEN CLASS XI Science 2021-22
LAST DATE: 12 August 21
Achievement: Striking 100% pass, many letter mark holders in the year 2018, 19, 20 and 2021.
FACILITIES:
i) No monthly tuition fee & Lowest course fee in the state.
ii) Reservation for children of single parent and marginalized family.
iii) Free school uniform + free school bag + free text book + free exercise book.
iv) Separate Hostel for Boys and Girls.
For offline admission : School office with SOP
For online admission : www.hhgacademy.com
Contact number: 9862445909 (Sir Nelson) / 9774571821 (Sir Jotin) / 9774269528 (Sir Ratan) / 6009861409 (Sir N I)
HL-B/7062/7,8,9,10